চাইল্ড ৱেলফেয়র আশ্রমনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লুপ (জিমপাল) কী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এইড্স দেগী থৌরম

WORLD AIDS DAY
ORGANISED BY CHILD WELFARE ASH

ৱাংখেম এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ অমা ওইনবা থৌরাংলিবা লাইশ্রম থানিল মৈতৈনা লমজিংলগা এম এস এম ঈগী মখাদা খনগৎলবা বিনিফিসরিশিংদা স্বেৱিং মেছিন য়েন্থোকখিবা

MANN KI BAAT

আই জি এ আর (সাওথ) কী মীৎয়েং মখাদা তেংনৌপল বট্টালিয়ননা পেট্রোলিং চৎপদা ক্বাথা ভিলেজ মনাক্তা লৈবা উমংগী এরিয়াদগী ৱিন চুরুট, য়ু অমদি অতোপ্পা পোৎলম কয়া ফাগৎখিবা

মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (এম এ সী এস)কী স্পোন্সর মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিটনা শীন্দুনা চান্দেলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরমগা মরী লৈননা খোঙচৎ চৎখিবা

আর্মি জৱান অমা নোংমৈনা মশা মথন্তা কাপশিঞ্জদুনা শিরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৈমখোংদা লৈবা ২৪৬ ফিল্ড রেজিমেন্টকী আর্মি জৱান অমা মশাগী সর্ভিস নোংমৈ ইন্সাস রাইফলসনা মথন্তা কাপশিন্দুনা শিরে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক অঙনবা পূং ৩ রোম তাবা মতমদা মহাক্কী শন্ত্রি পোষ্ট মনাক্তা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা আর্মি জৱান অদুগী মমিং জি এম আর লোকেশ (২১) অপোকপা মুকেশ কৌই। মহাক মধ্য প্রদেশগী মাওটা দিষ্ট্রিক্টকী রটলামদা লৈবনি। মহাক্কী সর্ভিস নোংমৈ ইন্সাস রাইফল অমা কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরূ ১৯ য়াওনা রিকোভর তৌখ্রে। মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা লৈমখোং পুলিসনা মাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ট্রেনিং হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা মতম খরা লেপ্লুরবা মতুং লাক্লিবা দিসেম্বর ৫দগী হৌদুনা মখল খূদিংগী মণিপুরী ফোল্ক অমসুং ক্লাসিকেল জগোইগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম ৫শুবা বেট্চকী ওইনা পীপল্স সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন নিঙোমথোং নোংমৈকাপ্পম লৈরকনা শীন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোক্লগনি। অকূপ্পা মরোলগীদমক টেলিফোন নম্বর ৮৭৮৭৩৩৪০৪৩দগী পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি জিতেনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুমিদাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি ১৬শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা চন্দ্রখোং এরিয়াদা থি-হুন্বা চথবদা পি এল এগী কাদর অমা ফারে। মহাক্কী মমিং খাঙেম্বম রামানন্দ এলিয়স ৱাংবা (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কেঐচ জুধির কৌই। মহাক চন্দ্রখোং মমাঙদা লৈবনি। পুলিসনা ফোঙদোরকপদা মহাক কুমজা ২০০১দা লালহৌলুপ অসিদা য়াওবগা লোয়ননা লুপ অসিগী ফাইরেনদা লৈবা কেম্পতা নুমিৎ ৪৫গী ওইবা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং ফংখি। মহাক হৌজিক লুপ অসিগী সেল্ফ ষ্টাইল চীফ ওফ আর্মি অণ্ডৌগী মীৎয়েং মখাদা থবক তৌরি হায়রি।

পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): লীদরশিপ এন্দ পার্টিসিপেসন ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটি টুৱার্দ এন্দ ইনক্লুসিভ, এসেসিবল এন্দ সষ্টেনেবল পোষ্ট-কোভিদ-১৯ ৱর্ল্ড হায়বা থীমদা মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাওন্দদা লৈবা চন্দ্রকির্তি ওদিটোরিয়মদা ইন্টরনেসনল দে ফোর পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজগী থৌরম দিসেম্বর ৩দা পাঙথোক্লগনি হায়না সোসল ৱেলফেয়রগী দিপ্যুটি দাইরেক্টর (দিসএবিলিটি) এল ধনেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ূম্ফম য়াওদবা পাউনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচ এন এস): পাউচে অমদা তেকচাক পুগদবনি হায়না ফোঙলক্লিবা পাউ অসি য়ূম্ফম য়াওদবা পাউনি। মরমদি ইপুরোইবা অমদি ইচা অনী লৈজরিবা ঐবু থোকচোম চন্দ্রসেখরগী লোয়নবীনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি ঐহাকপু লৈখা তানবা শীল্লকপনি লৌই হায়না টিঐচ রঞ্জিতানা ফোঙদোরক্লি।

মীওই অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙবা য়াবা মওংদা থবক তৌবীগনু। জিতেনগী লোয়নবী হায়না হন্দক্কী দ্রাফট ভোটর ইলেক্টোরেল লিষ্টতা য়াওরকপদুদি অশোয়বনি হায়না চুমথোকখ্রবনি। কূপ্পা য়েংদ্রিঙৈদা লৈতোন্দা শরূ পান্দে হায়বগী মতাগুম পংহায়দা হায়জিনবীগনু। কোর্টতা লৈরিবা কেস অমবু হন্দোক্লবা মীবু কিহনবা হায়বসি লোনা য়াদবনি হায়রি।

শেল চঙহন্দনা তশেংবা মীখল ওইহন্দুনা মতিক চাবা মীহুৎ খনসি : মঙ্গিতোন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): মণিপুরদা লৈরিবা এ সী ৬০গী মনুংদা খুন্দ্রাকপমনা খ্বাইদগী শোত্থবা এ সী হায়বদু ওইরে। চাওখৎপা এ সী অমা ওইবা ঙম্নবা শেল চঙহন্দনা তশেংবা মীখল ওইহন্দুনা মতিক চাবা মীহুৎ খনসি হায়না খুন্দ্রাকপম এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ইআর. ইরোম মঙ্গিতোননা ফোঙদোকখ্রে।

AT WAITON AWANG LEIKAI
1. KHUNDRAKPAM ASSEMBLY CONSTI
Er. IROM MANGITON SING
BJP IN NDING CA DATE

ৱাফম অসি ঙসি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংচনবা ৱাইতোন অৱাং লৈকায়দা লৈবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট মঙ্গিতোনগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থম্বাল কেম্প্যেন হৌদোকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, খুন্দ্রাকপম এ সী অসি ঙসি ফাওবা অৱাৎপা কয়ানা পীক থন্দুনা চাওখৎপা থেংথনা লৈরিবা অসি অতোপ্পা এ সীশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা এম এল এ ওইবদগীনি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি এ সী অসিদা পোকচবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট থাদসি।

এ সী অসিদা লন্বী-থোং, হেল্থ সেক্টর, এদ্যুকেসন অমদি থচক্লনবা অফবা ঈশিং মতিক চানা ফংদ্রি। ফেসিলিটি কয়া লৈরবা মী য়াম্না তিল্লবা পাঙ্গে বাজারসু ঙসি ফাওবদা নগর পঞ্চায়ট অমগী থাক্তা এ সী অসিগী এম এল এশিংনা ওনখৎপিনবা থবক তৌবিদ্রি। এ সী অসিগী মীয়াম ঙসিসু মনিং মখা তম্না হিংবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা ঙমদ্রি। এ সী অসিদা হান্না শেল য়েল্লগা ভোট লৌবগী থবক চৎথরম্বা অদু লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি য়াররোই। এ সী অসিগী মীয়াম চাওখৎপা পাল্লে। মরম অদুনা এ সী অসিগী থবক তৌরক্কদবা মফম অসিদা পোকচবা কেন্দিদেটশিংদা খুন্দ্রাকপমগী মীয়াম্নসু ভোট পীসি। এ সী অসিদগ ঙসি ফাওবদা কেবিনেট মিনিষ্টর অমত্তা ওইবা য়াওদ্রি। লমদম অসিগী মীয়াম্না ঙসিসু হু চেল্লবা ঈশিং থক্কুনা হিংলি। বি জে পিগী টিকেট তান্নরিবা এ সী অসিগী কেন্দিদেটশিংনসু বি জে পিগী টিকেট ফংবা মীওই অদুদা পুন্না শৌগৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এক্স এম এল এ, এম ভোরোত, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কোর কন্মিটি মেম্বর য়ংলেট হাউকিপ, হিজম বাবু, অবুজম ইবোচৌ অমদি অসেম চন্দ্রসু শরুক য়াখি।

এন ঈ পি ২০২০গী মতাংদা ৱেবিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): শ্রীওরোবিন্দো সোসাইটি অমসুং সমগ্রা সিক্ষা, ইম্ফাল ৱেষ্টনা পুন্না শীন্দুনা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) ২০২০গী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ওজাশিংগী ওইনা অখন্নবা ৱেবিনার অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱেবিনার অদু নেসনৱাইদ টিচর ট্রেনিং প্রোগ্রাম ‘জেরো-ইনভেষ্টমেন্ট ইন্নোভেসন ফোর এদ্যুকেসন ইনিসিএটিভ (জেদ আই আই ঈ আই)’ ওফ শ্রীওরোবিন্দো সোসাইটি অমসুং ঐচ দি এফ সী বেঙ্ককী মখাদা পাঙথোকখিবনি।

ৱেবিনার অদুদা জোনেল এদ্যুকেন ওফিসর (জেদ ঈ ও) জোন-১ সুচেতা খুমুকচম, জেদ ঈ ও জোন-১গী এ আই ডা. এলিনা সোইবমচা, জেদ ঈ ও জোন-১গী এ আই লাইময়ূম রিতা অমসুং শ্রীওরোবিন্দো সোসাইটিগী নেসনল ট্রেনিং হেদ রুপন্তার অশোক শর্ম্মনা মথংশীৎ চীফ গেষ্ট অমসুং স্পেসল গেষ্টশিং ওইনা শরুক য়াখি। ৱেবিনার অদুদা ওজাশিং ১,০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

রাজ্য সভাগী এম পি ১২ তান্থোকখিবা দিমোক্রেসি খোঙ্গাওনবনি: সী পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): ফার্ম লো অহুম হন্দোকপগা মরী লৈননা হৌখিবা নভেম্বর ২৯দা রাজ্য সভাগী ওপোজিসন এম পি ১২ হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদগী তান্থোকখিবা থৌওং অদু লৈবাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসি খোঙ্গাওনবদা নত্তনা দিমোক্রেসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরিবা পার্লিয়ামেন্টপু লৈখা তাহনবনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি শীংথানরবসু আর এস এসকী য়াকা মখাদা লৈখ্রবা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা মশিং য়াম্বা পাৱর শীজিন্নদুনা ওপোজিসন এম পিশিংগী রাইট মৎনবা হোৎনবা লেপত্রি। হৌখিবা নভেম্বর ২৬তা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা মশক নাইবা বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা পার্লিয়ামেন্টকী সেন্ট্রেল হোলদা কন্সটিট্যুসন দে পাঙথোক্কুনা মীয়ামদা এন দি এ লৈঙাক অসিনা দিমোক্রেসিগী মগুণ ৱাংখৎহন্নবা অমদি পূম্নমক্তা দিমোক্রেসিগী রাইটশিং চিংথদনা ফংহন্নবা লেপ্পুনা হোৎনরি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রবসু লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্তা ওপোজিসন এম পিশিংগী রাইট ফংহন্দ্রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফার্ম লো অহুম হন্দোকপগী অনৌবা বিল পাস তৌবদা এম পিশিংদা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না পার্লিয়ামেন্ট হাউস মমাঙদা পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লবসু হাউস মনুংদদি মরী লৈনবা স্পিকর, চেয়রমেন অমসুং দেপ্যুটি চেয়রমেননা ওপোজিসন এম পিশিংদা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবশিং ফংহনখিদে।

লৌমী ওর্গনাইজেসন ৪০০ হেনবনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লিবা ফার্ম ব্লেক লো অহুম হন্দোকপদা শুপ্পগী মিনিট ৪গী মনুংদা লোইশিনখিবদু করম্বা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা থোকখ্রবগে হায়বদু মীয়ামসু খঙফম থোকই। মমাঙদা পাঙথোকখিবা নোংজু মীফমদসু নম্ফুদা বিল কয়া পাস তৌখিবগী য়ানীংদবা ফোঙদোক্লবা রাজ্য সভাগী ওপোজিসন এম পিশিংদা মশিং য়াল্লবা মার্সেল শীজিন্নদুনা হাউসতগী তান্থোকখিবগী থৌদোক মীয়াম্না কাওনদ্রি। হন্দক্কী নীংথম মীফম অসিদসু চপ মান্নবা থৌওংশিং চথুখি হায়বদু নভেম্বর ২৯দগী রাজ্য সভা মীফমদগী মীয়াম্না খঙবা ঙম্লি।

নীংথম সেসন য়াওহন্দ্রবা এম পি ১২না পার্লিয়ামেন্ট হাউস মমাঙদা সিট ইন-প্রোটেষ্ট চথুরিবসি লৈঙাক অসিগী ওথোরিটরিয়ন ওইরবা লৈঙাক্লোন হন্দোকহন্নবা পান্দমদনি অমসুং কন্সটিট্যুসন তোয়না শীংনরিবা বি জে পি লৈঙাক্কী মায়োক্তা দিমোক্রেসি কন্সটিট্যুসন, সেক্যুলরিজম অমসুং ফেদরেলিজম কনবা পান্বশিংনা পুন্না থেংনমিন্নবা চঙই হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

মাইবাখুলদা রেদিএন্ট ক্লব অমসুং রিজোর্ট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মাইবাখুলদা রেদিএন্ট গ্রুপস ওফ কম্পনিনা রেদিএন্ট ক্রিকেট একাদেমিগা লোয়ননা রেদিএন্ট ক্লব অমসুং রিজোর্ট ঙরাং শঙ্গাদুনা হাংদোকখ্রে হায়না রেদিএন্ট গ্রুপ ওফ কম্পনিজগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর লোংজম লুপেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লোয়নবী নোংথোম্বম হিয়াইনুনা চীফ গেষ্ট অমসুং রেদিএন্ট গ্রুপকী চেয়রমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্টর নেপ্রম রোমিওনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

নৌনা হাংদোক্লবা রেদিএন্ট ক্লব অমসুং রিজোর্ট অসিনা নহা ওইরিবশিং অমদি লম্ অসিদা হৈথোই শিংথোইরবশিংদা থবক ফংহনবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী সোসিও ইকোনোমিক ফগৎহনবদসু মতেং ওইরগনি। রেদিএন্ট রিজোর্ট অমসুং ক্লব অসিদা স্বিমিং, জুইস বার, রেষ্টো-রেন্ট, ক্রিকেট একাদেমি, লোদজিং, রুফ টোপ পার্টি, স্পাস সর্ভিসনচিংবা খুদোংচাবশিং ফংগনি হায়রি।

এম এস এম ঈগী মখাদা খনগৎলবশিংদা ফি তুনবা মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): নুপীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা মরোমদোম ইমুং মনুং পুজবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎলকপা য়াইফ-থৌরাং মিনিষ্ট্রি ওফ মাইক্রো স্মোল মীদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস (এম এস এম ঈ)গী মখাদা খনগৎলবা ৱাংখেম এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা বিনিফিসরিশিংদা ফি তুবা তাইবা তৌনবা মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে।

স্বেৱিং মেছিনশিং অদু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী দিপার্টমেন্ট ফোর কোওর্দিনেসন ওফ ট্রষ্টকী ইন-চার্জগী থৌসু পুরিবা অদুগা ৱাংখেম এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ অমা ওইনবা থৌরাংলিবা য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকায়দগী লাইশ্রম থানিল মৈতৈগী লমজিং মখাদা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা য়েন্থোকখিবনি।

স্বেৱিং মেছিন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা লাইশ্রম থানিল মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, ৱাংখেম এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা মশা মশানা ইমুং মনুংদা মরোমদোম শেন্থোক লন্বী অমা লৈহন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা ফিরোল তুনবা মেছিনশিং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ মাইক্রো স্মোল মীদিয়ম ইন্টপ্রাইজেসকী মখাদা য়েন্থোকচবনি। এম এস এম ঈগী মখাদা ৱাংখেম এ সীগী মনুংদা পুন্না বিনিফিসরি ২০০০গী মথক্তা স্বেৱিং মেছিনশিং অসি য়েন্থোক্কদবনি। হান্নসু মমাঙদা মেছিন ৩৩ রোম য়েন্থোকখ্রে ফোঙদোকখি।

‘লাই অমসুং লাইয়েকপা’ দা মনা পীরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি য়াইরিপোক মণিপুরনা অইবা অইবীশিংবু পূক্কিং থোগৎপা ওইনা চহী ৩ খূদিংগী মণিপুরী শৈরেং লাইরিক্তা পীগবা ডা. রোমেসকুমার থিয়াম নীংশিং খোরিরোল মনা কুমজা ২০২১দা অহানবা ওইনা শক্লাইরবা ক্রিটিক সলাম তোম্বনা ইবা শৈরেং লাইরিক ‘লাই অমসুং লাইয়েকপা’ দা পীরগনি। মনা অসি অইবা রঘুবীর থিয়ামনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মচানুপা রোমেসকুমারগী মিংদা কৎপনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০, সাও অমসুং সাইটেসন য়াওরি। লুপ অসিগী ২৯শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা খূৎশিন্নরগনি হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরে: লম্লাই মপারি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): লম্লাই এ সীদা মীওইবনা হিংবদা চঙবা মচাকশিং নীংথিনা শেমগৎ-পীরমদবনা নীংথম থা চঙলকপদা ঈশিংগী অৱাবা চাওনা মায়োক্লরে হায়না লম্লাই মপারি থৌগল লুপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লম্লাই মপারি থৌগল লুপকী সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীওইবা খুন্নাইগী চাওখৎলোল ময়েক শেংনা খঙদবা মীওইশিংনা মীরেপ অমদি মীহুৎ ওইরম্বনা মীয়াম্না খম থেংনা অৱাবা তাঙ্কক অসি মায়োক্লরিবনি। মীয়ামগী অৱাবসি কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈগী মহুৎ শিনদুনা লম্লাই মপারি থৌগল লুপ্না নোংপোক হৈরোক্তা থক্লবা ঈশিং লেম্না ফংহনখ্রে। লম্লাই এ সীগী মনুংদা খ্বাইদগী ঈশিং ৱারিবা খুঙ্গংশিংগী মনুংদা নোংপোক হৈরোকসু অমনি হায়না খল্লগা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

লম্লাই মায়কৈগী মীরেপ ওইগনি হায়না চোংথোরক্লিবশিংনা হোংলক্লিবা মতমগী চাওখৎ থৌরাংশিং হকচিন্না খঙদবা মরম্না তম্পাক্কী এ সী ৪০ লৈবগী মনুংদা লম্লাই এ সী অসিনা খ্বাইদগী শোত্থবা ওইরি। বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী মায়কৈ কয়াদগী চাওখৎ থৌরাংশিং পাঙথোক্লবসু লম্লাই মায়কৈদদি মশানা মশাবু বি জে পিনি হায়জরবসু লৈঙাক্কী কান্নবশিংদি মীয়ামদা ফংহনবা ঙমদে। ফিভম অসি য়েংলগদি হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লম্লাইগী মীরেপ ওইগনি হায়রিবশিং অসি মতিক চাদে হায়বগী ময়েক লারবা খুদম্নি। লাক্লিবা এসেম্লি মীখল অসিদা মতিক চাদবা মীরেপশিং মায়থিবা পীমিন্নরসি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

চান্দেলদসু ৱর্ল্ড এইদস দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০২ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (এম এ সী এস) কী স্পোন্সর মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিটনা শীন্দুনা ৩৩শুবা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা চামদিল টাওন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিং ইনইক্বেলিটিস: ইন্দ এইদস, ইন্দ পেন্দমিক্স’ হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এ এন বি এ চান্দেলগী এগজেক্যুটিভ সেক্রেটরি রেভরেন হুতেন ৱিলসন অনালনা অথোইবা মীথুং, রেভরেন জোনকালভিন মিসন সেক্রেটরি এ এন বি এনা অখন্নবা মীথুং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এইদস কন্ট্রোল ওফিসর, চান্দেল দা. বি চিংদৈনিংনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

এইদসনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপা উৎপা ওইনা কেন্দল লাইট তৌদুনা মিনিট অমা তূমিন্না লেপ্পুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা ঐচ আই ভি/এইদসতগী ঙাকথোক্লবা তোঙান তোঙানবা পাউজেল পুবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমসু চৎখি।

[illegible]

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7330/3-31(alt)

[illegible]

XTRA - EDGE SCHOOL

(Affiliated to the Council of Higher Secondary Education, Manipur)
Ghari Awang Leikai, Imphal – 795140

WALK-IN INTERVIEW

Imphal, the 02nd Dec, 2021

09/AP-XTR/19/001: Application forms, available at the school office on payment of Rs.300/-, are invited from the eligible candidates for the post of Lecturer, Chemistry.

SL.	NAME OF THE POST	NO. OF POST	EDUCATIONAL QUALIFICATIONS	AGE	SALARY
1	Lecturer (Chemistry)	1	M. Sc. (Atleast 50%) B. Ed.	Below 45 years	Rs. 20,000/- p.m. (including EPF)

Last Date of Form Submission: 07/12/2021 (Tuesday)
Date of Interview: 08/12/2021 (Wednesday)

Sd/-
Principal

HL-P/9578/3,6

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref :- Mutation Case No. 417/SDC/IW(N) Sekmai of 2021

1. Khwairakpam Ibe Devi W/o (L) Kh. Chaoba Singh of Awang Sekmai and
2. Khwairakpam Ibochouba S/o (L) Kh. Chaoba Singh of - do - - Petitioners

-Vs-

(Late) Khwairakpam Chaoba Singh S/o (L) Goura Singh of Sekmai - Pattadar

[illegible] / NOTICE

Sekmai the 27-10-2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West (N) Sekmai Tahasil Village No. 30-Sekmai U/P No. 218 (Old) 369/2105 (New) Covered by C.S. Dag No. 2535 গী area .125 acres চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা নমা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চৎথজখ্রনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, North Sekmai

HL-P/0818/3

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, PATSOI

Ref. Mut. Case No. 624/SDC/IW (P) of 2021

Haobam Arina Devi W/o (L) Loktongbam Manilal Singh of Langjing Achouba Awang Leikai - Petitioner

-Vs-

Late Shri Loktongbam Manila Singh S/o (L) Modhu Singh of Langjing - O.P. Party

[illegible] / NOTICE

1st December 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর 104-Langjing Achouba গী পাট্টা নম্বর 303 (Old) 190 (New) দাগ নম্বর 109 গী পোইন্ট .11501 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মচা-মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 9-12-2021 ইংগী অয়ুক পূং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথুরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi

HL-P/0810/3

IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST, AT CHEIRAP COURT COMPLEX, IMPHAL

[illegible]

ORIGINAL (SUCCESSION) SUIT NO. 8 OF 2021

Mutum Mohindro Singh ... Petitioner

- Versus -

Ngangbam Jamuna Devi and two others .... Respondents

To,

All the interested person (s)

Whereas, the above named Petitioner has filed an application under Section 372 of the Indian Succession Act, 1925 for granting Succession Certificate in faour of petitioner; you are hereby summoned to appear before this Hon'ble Court on 15-12-2021 at 10.30 a.m. either in person or by a pleader duly instructed by you able to answer all materials question relating to the suit and you are directed to produce on that day all the documents upon which you intended to rely in support of your defence.

Take notice that in default of your apperance on the aforementioned date and time, the suit will be heard and determined in your absence according to law.

Given under my hand and sealed of the Court this 1st day of December 2021.

Seal
By : Advocate

Sd/- **Sr. Sheristadar**
District and Sessions Court,
Imphal West

HL-P/0807/2&3

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 434/AS & SO/III **Date 30-11-2021**

1. Leimapokpam Ranjit Singh S/o (L) Shamu Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal
2. Leimapokpam Jadumani Singh S/o (L) Shamu Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal

-Vs-

Late Leimapokpam Shamu Singh S/o (L) Gopal Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal

[illegible] / NOTICE

Imphal, 1-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 27-Wangkhei Nongpok পাট্টা নং 389 অরিবা 392 অনৌবা দাগ নং 1132 এরিয়া .055 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Late Leimapokpam Shamu Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 9-12-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer,**
III-Manipur

HL-P/0819/3

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU

Ref. Mutation Case No. 527/SDC/Sugnu of 2021 dt/2/12/2021

App: 1. Joicy Chengneilkim W/o (L) Paukhanthong Robert of Sugnu Lamhang
2. T. Moris Zou S/o Poukhanthang Zou Robert of - do -
3. T. Francis Zou S/o (L) Sabastian Zou of - do -
4. Thangkhenkhup S/o (L) Amohenmang of Singtam
5. Robert Haominthang Zou S/o (L) Lianchinkhup of Sugnu Lamhang

-Vs-

Opp: (Late) T. Maria Bungkhonohing W/o T. Sevestian of Sugnu Lamhang

[illegible] / NOTICE

Dated 02/12/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৯১-শুগ্নু পাট্টা নং ১৫৯/১৮৫৩ দাগ নং ২১২৪/৩৬৮৫ এরিয়া .৬৬ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sugnu

HL-P/0815/3